# য়ুক্রেনগী মায়োক্তা মখা তানা মিলিটরি এগ্রেসন চথ্খদনবা নাটোনা রসিয়াদা অমুকসু ৱার্নিং তৌখ্রে

ব্রসেলস, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী মায়োক্তা মখা তানা মিলিটরি এগ্রেসন চথ্খবা তারবদি পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়না নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা রসিয়াদা অমুক হন্না ৱার্নিং তৌখ্রে।




য়ুরোপিয়ন এন্দ য়ুরো-এটলান্টিক ইন্টিগ্রেসন ওফ য়ুক্রেনগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওলগা ষ্টেফানিশ্যনাগা লোয়ননা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ষ্টোল্টনবর্গনা অহানবদা হৌজিক অসি য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটিগী মরুওইবা চয়োল অমগী অহৌবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা লান থোক্লরকপা থিংনবগী সোল্যুসন ফংনবা দিপ্লোমেটিক পান্থৱশিং শীজিন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ব্রসেলসতা নাটো-য়ুক্রেন কম্মিসন (এন য়ু সী)গী সেসন অমসুং নাটো-রসিয়া কাউন্সিলগী মীটিং পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা মখোয়না প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাংখিবনি।

ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি, রসিয়ানা নাটো-রসিয়া কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখিবা অসি অফবা ঈঙ্গিৎ অমনি। ঐখোয়না য়ুরোপকী সিক্যুরিটি ইস্যুশিং, মিলিটরি এক্টিভিটিশিং, রিস্ক হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিং অমসুং খূৎলায় কন্ট্রোলগী মতাংদা ট্রান্সপরেন্সি লৈহনবদা হেন্না মীৎয়েং থমগনি। ঐখোয়না ঈংনা-চিন্না সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনরি। ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা লেপ্লি অমসুং করিগুম্বা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা অমুক হন্না মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নরকপা তারবদি মদুনা রসিয়াদা শেল-থুম অমদি পোলিটিকেলগী খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লক্কনি হায়বসি খঙহন্নবা ঐখোয়না রসিয়াদা ময়েক শেংলবা মেসেজ অমা থাবসু মথৌ তাই।

ষ্টেফানিশ্যনানা প্রেস কনফরেন্স অদুদা হায়খি মদুদি, মিলিটরিগী উংখৎনবা হেনগৎলকপা থিংনবা রসিয়াগী দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিং শীজিন্নবগী ৱাফম য়ুক্রেননা শৌগৎলি। তৌইগুম্বসু য়ুক্রেনবু তুংদা নাটোগী মেম্বর অমা ওইহল্লোইদবনি হায়বা রসিয়াগী দিমান্দ অসিদি য়াফম থোক্তে। নাটোগী মীচংশিংদা রসিয়ানা তৌরিবা দিমান্দশিং অসি নেগোসিএসনগী ফীরেপ অমনি হায়না ঐখোয়না লৌরোইদবনি। নাটোনা নোংপোকলোমদা এক্সপান্সন তৌরকপা অমসুং এল্লাইন্স অসিদা বোর্দর মনাক্তা খূৎলায় সিষ্টম কয়া দিপ্লোয় তৌরকপবু রসিয়ানা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

হৌখিবা দিসেম্বর ৩১দা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবদা করিগুম্বা মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবা তারবদি অমেরিকানা মীচংশিংগা খূৎশম্নরগা শেল-থুমগী ওইবা অমদি অতৈ অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎকনি হায়না বাইদেননা ৱার্নিং তৌখিবনি।

অমরোমদা, পুটিননা নাটোনা নোংপোকলোমদা এক্সপান্সন তৌরিবা অদুগী মায়োক্তা গরেন্টি পীনবা হায়খিবনি।

# অফঘানিষ্টান তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বসি পাকিষ্টানগা লৈনবা মরীগী মখা পোনগনি : য়ু এস আই পি

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): লৈবাক অমা ওইনা অফঘানিষ্টান তুংদা করি ফীভম ওইরক্কদগে হায়বসি লৈবাক অসিগা পাকিষ্টানগা লৈনবা মরী অমসুং অমেরিকা অমদি অতৈ লৈবাকশিংনা ফন্দিং তৌবগী মখা পোনগনি হায়না ৱাশিংটনদা লৈবা ফেদরেল ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরিবা য়ু এস ইন্সটিট্যুট ওফ পীছ (য়ু এস আই পি)না হায়রি।



য়ু এস আই পিগী রিপোর্টনা হায়, পাকিষ্টানগা তালিবান রেজিমগা লৈনরিবা মরী অসিনা অফঘানিষ্টান তুংদা করি ফীভমদা লাক্কদগে হায়বসিগী লম্বী উৎকনি। রিপোর্ট অদুগী এসেসমেন্ট অদু কুমজা ২০২১দা অফঘানিষ্টানগী মরমদা কন্দক্ত তৌখিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টদিশিংদা য়ূম্ফম ওইখি। রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং খক্তনা অফঘানিষ্টানদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং ফেল ওইরকপা থিংবা ঙম্লোই। ইস্লামাবাদকা অফবা মরী থম্নবনা তং তাবা ফীভম লাকহনবা অমসুং চাউখৎ খোঙথাংশিংদা মতেং পাংগনি। মমাংদা ইস্লামাবাদনা তালিবানদা পাংখিবা মতেংগী চাং য়েংলগা পাকিষ্টানগী থৌদাং মরু ওই হায়না লৌরি। মসিনা তালিবান রেজিম মখাদা অফঘানিষ্টানগী তুংগী ফীভম লেপ্পদা মরুওইবা ফেক্টর অমা ওইরগনি।

য়ু এস আই পি রিপোর্ট অদুগী ওথর ইলিজাবেথ থ্রেলকেলনা হায়, য়ু এস অমসুং পার্টনর লৈবাকশিংনা হৌজিক্তগী হৌনা অফঘান গভর্ণমেন্টতা পীবা মতেংনা লৈবাক অসিগী তুংগী মতৌ লেপকনি। মপানগী সোর্ছশিং মরুওইনা পাকিষ্টাননা তালিবানদা পীরকপা মতেংগী চাংনা অফঘানিষ্টানগী তুংগী ফীভম লেপ্পদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি।

অফঘানিষ্টানগী তুংগী ফীভম ফহনবদা তেংবাং অমসুং অফবা মরী অসি মরু ওইরবসু পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরক্তা লৈরিবা মতম শাংলক্লবা ইস্যুশিং, পেন্দবশিং অমসুং কনফ্লিক্টশিংনা তায়ওন্নবা ফীভম অমা লাকহনবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ৱার্নিং তৌখি। থ্রেলকেলনা হায়, রিজনেল ষ্টেবিলিটি অমসুং মখোয়গী সিটিজনশিংবু নুংঙাই-য়াইফহন্নবগীদমক্তা অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টাননা ক্রোস-বোর্দর মরী থম্নবগী খূদোংচাবা লৌগদবনি। দুরান্দ লাইনগী য়েৎনবা অসি পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরক্তা য়ানদবগী মরুওইবা পোইন্টশিংগী মনুংদা অমা ওই হায়না পনবগা লোয়ননা রিপোর্ট অদুনা হায়, হন্দক্তা পাকিষ্টানগী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমদি তালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবা অদুনা মমাংগী অফঘান ফোর্সশিংগুম্না তালিবাননা ইন্টরনেসনল বোর্দর ফেন্সিং শকখঙবা পামদে হায়বসি উৎলি।

## অফঘান জর্নেলিষ্টশিং শিনফম থাদোক্লরে

কাবুল, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানদা জর্নেলিষ্ট চাদা ৭৯না শেল তান্দুনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা শিনফম অসি থাদোক্তুনা অতৈ শিনফমশিংদা ওইনা মায় ওনশিন্নখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীদিয়া পার্সনশিং খ্বাইদগী ফৎতবা শেল-থুমগী ফীভম মায়োক্লরি হায়না জর্নেলিষ্ট ফাউন্দেসন ওফ অফঘানিষ্টাননা হায়রি।

খান্না প্রেসকী রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা থা অমা মখায়গী মতম অসিদা ফাউন্দেসন অসিনা অফঘান জর্নেলিষ্টশিংগী পুন্সি মহিংশিং য়েংশিনখি অমসুং মখোয় শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবদগী য়াম্না নুংশিনিংঙাই ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংলি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মদুগী মমাঙদা অফঘানিষ্টানগী মীদিয়াগী চাদা ৭৫ ফাওবা শেল-থুমগী অৱাবশিংনা মরম ওইদুনা থবক লেপখ্রে হায়বসি ষ্টেটিষ্টিক্সনা উৎখি।

ফাউন্দেসন অসিগী ফাইন্দিংশিংনা অফঘান জর্নেলিষ্টশিংগী চাদা ৯১না শিনফম অসি খনবদা অপেনবা পোকচৈ অদুগা চাদা ৮ দমক পেন্দে হায়বসি উৎখি। সর্ভে অদুদা অফঘানিষ্টান অপূনবগী অফঘান জর্নেলিষ্ট ৪৬২না শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা নুপানা ৩৯০, নুপীনা ৭২ নি।

# লোনগী মতম শাংদোক্লবা আই এম এফনা পাকিষ্টানদা রিনিগোসিএসন তৌনবা হায়খ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): পাকিষ্টাননা মমাংদা থাজবা পীখিবা থবকশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্নবা চয়োল অহুমগী মতম পীবীনবা হায়জখিবা অদু থুংহন্নবগীদমক লৈবাক অসিনা লোন প্রোগ্রামগী মতাংদা অমুক হন্না নিগোসিএসন তৌগদবনি হায়না ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দনা পাকিষ্টানদা খঙহনখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমীৎতা গ্লোবেল লেন্দর অসিগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা রিভিয়ু মীটিংগী মাংওইননা ইস্লামাবাদনা মমাংদা থাজবা পীখিবা থবক কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী প্রোসেস পায়খৎনবা চয়োল অহুমগী মতম শাংদোকহন্নবা পাকিষ্টাননা হায়জখিবা মতুংদা আই এম এফনা খ্বাইদগী নৌবা দিমান্দ অসি তৌখিবনি। অদুমওইনমক আই এম এফকী দিমান্দশিং পাকিষ্টাননা য়াদ্রি। সিনেট কম্মিটি ওন ফাইনান্সকী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা পাকিষ্টানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর সৌকট তারিননা হায়খি মদুদি, আই এম এফতা ঐহাক্না লোন প্রোগ্রামগী মতম থা অহুম শাংদোকপীনবা হায়জখিবা মতমদা মখোয়না প্রোগ্রাম অদু অমুক হন্না নিগোসিএসন তৌসি হায়রকখি। মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফাইনান্স সপ্লিমেন্টরি বিল ২০২১গী মতাংদা খন্নখিবদা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা তারিননা আই এম এফকা মমাংদা তৌনখিবা নিগোসিএসনদা য়ানখিবা কন্দিসন অমা ওইনা পাকিষ্টানি রুপিস বিলিয়ন ৩৭৫গী ওইগদবা অনৌবা টেক্সশিংগী মরমদা কম্মিটিদা ব্রিফ তৌখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, আই এম এফকী মায়কৈদগী অনৌবা কন্দিসন কয়া থন্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবনা মহাক্না রিনিগোসিএসনগী ৱাফম অদু য়াখিদ্রে। অদুম ওইনমক তারিননা আই এম এফতা চয়োল অহুমগী অহেনবা মতম পীবীনবা হায়জবা অদু য়াহনখি। মদুনা প্রোগ্রাম অদুগী তরুকশুবা রিভিয়ু মীটিং শাংদোকহন্দুনা পাকিষ্টানগী কেস অসি লৈবাক অসিগী ফেভরদা খন্নবদা খূদোংচাহনগদৌরিবনি। রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকপগী অরোইবা মতম থুনা খঙহল্লক্লগনি হায়না তারিননা মখা তাখি।

# য়েমেনি ফোর্সশিংনা হৌথিশিংদগী থাউ মরাং কায়না ফংবা প্রোভিন্স পায়শিনখ্রে

অদেন, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): হৌথি মিলিসিয়া কাঙবুশিংগা কন্না লান শোক্লরবা মতুংদা থাউ মরাং কায়না ফংবা সাবানা প্রোভিন্স অমুক হন্না রিবেলশিং অসিগী মখূৎতগী পায়শিল্লে হায়না য়েমেনি ফোর্সশিংনা লাউথোকখ্রে।

সাউদর্ন জাইন্টস বৃগেদনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নুমীৎ ১০নি চুপ্পা কন্না খূৎ থোক্লরবা মতুংদা হৌথি রিবেল মিলিটেন্টশিং শবৱাগী দিষ্ট্রিক্ত খূদিংমক্তগী তকথোকখ্রে। শবৱাদা রিবেলশিংগী মায়োক্তা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনগা খূৎশম্নরগা অচৌবা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথ্খি হায়না প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা মিলিটরি সোর্ছশিংগী মতুংইন্না হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অরোইবা দিষ্ট্রিক্ত ওইরিবা আইন দিষ্ট্রিক্ততা ট্রুপশিংনা মায়কৈ অহুমদগী থোমজিনখি অমসুং মিলিসিয়া মেম্বর কয়ামরুম হাৎখি। মখোয় কয়া অমা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি।

হৌথিশিংনা চাওরবা মিলিটরি কেম্পেয়্যন অদুবু মায়োক্লবা ঙমখিদে অমসুং মখোয় শবৱাগী ষ্ট্রেটেজিক এরিয়াশিংদগী নমদুনা হন্দোকহনখি হায়বসি য়েমেনি মিলিটরি সোর্ছশিংনা কনফর্ম তৌখি। সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা হৌথিশিংগী মায়োক্তা অকনবা বোম্বিং কেম্পেয়্যন চথ্খদুনা শবৱাদা লৈবা মখোয়গী সাইটশিং মাঙহন-তাকহনখি। মদুনা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু গ্রাউন্দদা মিলিটরি প্রোগ্রেস লৈহনখি।

ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংনা কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বরদা লানফম কয়াদা মায় পাক্তুনা অল-বাইদা অমসুং মারিবকী মফম কয়া খূদুম চনখিবনি। কুমজা ২০১৪দা হৌথি মিলিসিয়ানা লৈবাক অদুগী মফম অয়াম্বা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা খূদুম চনখিবগা লোয়ননা কেপিটেল সানা য়াওনা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স পূন্নমক পায়শিনখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাক্লিবনি। কুমজা ২০১৫দা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরব মিলিটরি কোলিসন অমনা য়েমেনগী ৱাথোক অদুদা খূৎ থিংজিনবা হৌখি। হৌথিশিংনা তান্থোকখিবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মন্সুর হাবিগী গভর্ণমেন্ট শৌগৎতুনা কোলিসননা লান অদুদা য়াওশিনখিবনি।

# ঈ য়ু পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট দেভিদ সাসোলি লৈখিদ্রে

ব্রসেলস, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট দেভিদ সাসোলি ইটালিগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে। মহাক হৌখিবা দিসেম্বরদা হোস্পিটাল অদুদা এদমিট তৌখিবনি। মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ইটালিয়ন অসি ইম্যুন সিষ্টম মথৌ নীংথিনা তৌরক্তবদগী চয়োল অনী হেন্না কন্না নারকখি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মহাক্কী স্পোক্সমেন রোবর্টো কিলোনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, দেভিদ সাসোলি ইটালিগী অভিয়ানোদা লৈবা সী আর ওদা জন্যুৱারী ১১গী অয়ুক পুং ১.১৫ তাবদা লৈখিদ্রে। মহাক ইম্যুন সিষ্টম মথৌ তৌরক্তবদগী হোস্পিটাল অসিদা পুখৎতুনা লায়েংলকখিবনি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী তারিক অমসুং মফমসু থুনা খঙহল্লক্লগনি।

কিলোনা সাসোলিগী ওফিসল এক্টিভিটিশিং কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবা অমদা হান্নগী টেলিভিজন ন্যুজ রিদর অসি ইম্যুন সিষ্টম নীংথিনা মথৌ তৌদবদগী লাকপা অরুবা কমপ্লিকেসন অমনা মরম ওইদুনা দিসম্বের ২৬তগী হোস্পিটালদা লৈরকখি। সাসোলি হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদসু চয়োল কয়া ন্যুমোনিয়া নাদুনা হোস্পিটেলাইজ তৌখ্রবনি। য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী টর্ম অসি ইলেক্সনশিংগী মরক্তা চহী ৫নি। তৌইগুম্বসু বোদি অসিগী প্রসিদেন্টনা থবক তৌবগী মতম টর্ম অসিগী তঙ্খায় অমনি।

## কোদিনা অমাঙ-অতা চাওনা থোকহনখ্রে

সুবা, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী): ফিজিদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন কোদিনা মরুওইনা লৈবাক অসিগী বিটিলেগু ঈথৎকী নোংচুপ থংবা শরুক অমসুং ময়াই থংবা শরুকশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

ইনর্জি ফিজি লিমিটেদকী চীফ এগজিক্যুটিভ হসমুক পটেলনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোরকপদা, সাইক্লোন অসিনা লেপ্তুনা নোং কন্না চুহনবগা লোয়ননা ঈচাও থোকহন্দুনা ইনফ্রষ্ট্রকচরদা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখি।


ꯂꯣꯟ / LOAN ꯂꯣꯟ / LOAN

**LOWEST INTEREST**

1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan
6) Weaving Loan
Area Cover : Thoubal & Kakching District

**JOB NEWS**

1) Collector 8 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) BDO 4No. - 12/Graduate Passed
3) R.O. 2No. - 12/Graduate Passed
4) Reception 1 No. - 12 Passed (Kakching Branch)
5) Assistant Field Officer 5 No. - 12 Passed
(Age :- All Post below 30)

Last date of form submission - 30/12/2021
Date of Interview - 03/01/2022
Office hour - 10 AM to 4 PM

# 8787370703 Sd/-
**Office of the LAININGTHOU PVT. LTD.**
Thoubal Bazar, Leitanthem Leirak And Kakching Branch, Axis Bank Building
HL-B/7352/11/12-12/01



ꯑꯣꯖꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ

**TEACHER WANTED**

**Subject** : Maths & Science

**Qualification** : 1. B.Sc. & M.Sc.
2. Freshers can also apply.

**Place** : Saikul, Kangpokpi District, Manipur

**Salary** : Negotiable

**# 8131801895**
**# 7005599188**
HL-P/1269/11,12


ꯁꯣꯔꯥꯡ / সোরাংকী থৌরম হোংদোকচরে

লৈখিদ্রবী খুরাইজম ওংবী ঁমেমচা (শান্তিবলা) দেবীগী সোরাংকী হান্না বার্তোন ফংবীখ্রবা খ্বাই পূন্নমক্কী মফমদা নোল্লুক্লা খঙহঞ্জরি। মদুদি লাক্লিবা তাং ১৫/০১/২০২২ ইং, ৱাকচিংগী ১৩নি পানবা থাংজ নুমীৎতা শোঞ্জগদৌরিবা সোরাংকী থৌরমদু কোভিদকী লায়না লাইচৎনা খঙহৌদনা হেনগৎলকপদগী লাইগী থৌরমতমক অয়ূক্তা ওইনা পাঙথোকচরগনি।

কর্ম্মধারি : **শ্রী খুরাইজম জাতিশ্বর সিংহ (মপুরোইবা)**
কারোং মমাং লৈকায়
# 9862717898
HL-P/9599/12

ꯍꯦꯜꯄꯔ / হেল্পর নুপী অমা পামজৈ

চহী ৪০ (নিফু)গী মথক ওইবী হেল্পর নুপী অমা ইমুংগী থবক ইনখাং তৌবীনবা অথুবগী ওইনা পামজৈ। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**# 8730998567**
Khongman Zone 3
HL-P/1279/12

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD. M.G.AVENUE, IMPHAL**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION

**Imphal, the 11th January, 2022**

**No.1/RO/Election/IUCB/2021:** In pursuance of Order of the Hon'ble High Court of Manipur dated 10-01-2022 passed in W.P(C) No. 18 of 2022 and as per instruction of the Registrar of Cooperative of Cooperative Societies, Manipur vide letter No. B-Coop/IUCB/Election/2017 dt 11-01-2022, the declaration of result for election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd for the term 2017-2018 to 2021-2022 scheduled on 13-01-2022 is hereby deferred until further order.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Returning Officer,
Election to the Delegates and Board of Director of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd
HL-P/1295/12

ꯃꯥꯡ / REGISTRATION CARD LOST

I have lost my registration Card bearing Regn. No. 13728 of 2020 issued by COHSEM on the way between Chingmeirong and AOC on 04/01/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/1281/12 Sd/- **Chisii Ngachanphy Kashung**

ꯈꯉꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

লৈকায়গী চৎনবীগী মতুংইন্না হৌখিবা তাং ০২/০১/২০২২ নোংমাইজিং নুমীৎতা ইবুধৌ মাইকৈঙাকপা লাই কম্মিটিগী মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা থৌপুগদবা লূপ অমা মীয়াম্না য়েৎনবা লৈতনা খল্লে। হায়রিবা থৌগল লূপ অসিবু লুচিংবীগদবা খল্লবা মীওইশিংদি

**১. হেমাম ব্রোজেন সিংহ - চ্যেরমেন**
**২. সালাম জাদুমনি সিংহ - সেক্রেটরি**

অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি মদুদি লাইগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম খূদিংমক কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা মীওই অমত্তা অনৌবা কম্মিটি অসিগী অয়াবা য়াওদনা থবক থৌরম পাঙথোকপীদনবা পাউচে অসিগী খূত্থাংদা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা : **Secretary**
Information & Publicity
Ibudhou Maigeingakpa Lai Committee
Khumujamba Meitei Leikai, CCpur.
HL-P/1282/12

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST**

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE FOR OBJECTION

**Dated, the 10-01-2022**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **Yening Cultural Centre** on 10/01/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of SR Act, 1989 (Add).

In the matter, Notice for objection is circulated/ notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing Alvis Laishram (Applicant name) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./ Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/ considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.
HL-P/1283/12

ꯃꯤꯡ / NAME CORRECTION

I, RAM CHANDRA CHAUBEY, serving as a Hindi Teacher under 21 Assam Rifles C/o 99 APO have corrected my name, my wife, my daughters and my son name from R.C. Chaubey (self), Shali Kumari (wife), Madhu Bala Chaubey (daughter), Priti Bala Chaubey (daughter), Rahul Kumal (Son) to Ram Chandra Chaubey (self), Shali Kumari (wife), Madhu Chaubey (daughter), Prity Dubey (daughter) and Rahul Kumar (son) vide an affidavit sworn before the Oath Commissioner Manipur at Kakching dated 10/01/2022.

Sd/- **Ram Chandra Chaubey**
Hindi Teacher,
21 Assam Rifles C/o 99 APO
HL-P/1280/12

**OFFICE OF THE THONGKHONG LAXMI MUNICIPAL COUNCIL IMPHAL WEST, MANIPUR**

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

**Thongkhong Laxmi, the 10th January, 2022**

**No. 6/2/2020-TLMC(SA):** To gain first hand information on the working of the Pradhan Mantri Awas Yojana (Urban) from the beneficiaries based on the parameters of Social Audit Guidelines, issued by the Ministry of Housing and Urban Affairs, Government of India, Thongkhong Laxmi Municipal Council is planning to organise a Public Hearing at Cosmopolitan Girls High School, Thongkhong Laxmi. The Social Audit will be conducted by an Independent Facilitating Agency. Considering the necessity of maintaining Covid Appropriate SOPs, only interested beneficiaries in batches will be permitted in the hearing. PMAY (Urban) Phase-I beneficiaries, if interested, may submit their willingness to attend the hearing indicating their names, phone numbers and areas of interest to the Council office during office hours on or before 13.01.2022. A time slot for the hearing on 15.01.2022 will be intimated to the applicant on 13.01.2022.

Sd/- **MM Ziaur Rahaman**
Executive Officer,
Thongkhong Laxmi Municipal Council
HL-P/1290/12

**OFFICE OF THE WANGJING LAMDING MUNICIPAL COUNCIL MANIPUR**

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

**Wangjing, the 10th January, 2022**

**No. 6/1/2022-WLMC:** To gain first hand information on the working of the Pradhan Mantri Awas Yojana (Urban) from the beneficiaries based on the parameters of Social Audit Guidelines, issued by the Ministry of Housing and Urban Affairs, Government of India, Wangjing Lamding Municipal Council is planning to organise a Public Hearing at Lamding Multipurpose Community Hall, Lamding. The Social Audit will be conducted by an Independent Facilitating Agency. Considering the necessity of maintaining Covid Appropriate SOPs, only interested beneficiaries in batches will be permitted in the hearing. PMAY (Urban) Phase-I beneficiaries, if interested, may submit their willingness to attend the hearing indicating their names, phone numbers and areas of interest to the Council office during office hours on or before 13.01.2022. A time slot for the hearing on 15.01.2022 will be intimated to the applicant on 14.01.2022.

Sd/- **Awungshi Phungrei**
Executive Officer,
Wangjing Lamding Municipal Council
HL-P/1290/12

**OFFICE OF THE KUMBI MUNICIPAL COUNCIL KUMBI, MANIPUR**

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

**Imphal, the 10th January, 2022**

**No. 263/KMC/HFA-Spot/V/2021:** To gain first hand information on the working of the Pradhan Mantri Awas Yojana (Urban) from the beneficiaries based on the parameters of Social Audit Guidelines, issued by the Ministry of Housing and Urban Affairs, Government of India, Kumbi Municipal Council is planning to organise a Public Hearing at Lainingthou Sandhong Meitei Shanglen, Kumbi. The Social Audit will be conducted by an Independent Facilitating Agency. Considering the necessity of maintaining Covid Appropriate SOPs, only interested beneficiaries in batches will be permitted in the hearing. PMAY (Urban) Phase-I beneficiaries, if interested, may submit their willingness to attend the hearing indicating their names, phone numbers and areas of interest to the Council office during office hours on or before 15.01.2022. A time slot for the hearing on 16.01.2022 will be intimated to the applicant on 15.01.2022.

Sd/- **M Inaobi Singh**
Executive Officer, Kumbi Municipal Council
Kumbi, Manipur
HL-P/1289/12